মীওই ২৪৯ দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ মায়োক্লনবা মণিপুর লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা চৎনকাংলোনশিং যুমদগী হেক মপান থোরকপদা ফেস মাস্ক উপ্তবা অমদি মী অমগা হেক থেংনবদা ফিট তরুক লাপ্না লেপ্তবা মীওইশিং ঙসি মণিপুর পুলিসনা ড্রাইভ চথবদা মীওই ২৪৯ রোম দিটেন তৌখ্রে।

পুলিস দিপার্টমেন্টনা ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফমদা চথখিবা ড্রাইভতা ফাগৎখিবা মীওই ২৪৯ রোম অদু মখা তানা তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখ্রে। মখোয়দগী পুলিসনা লুপা ৩২,৬০০ রোম ফাইন ওইনা খোমগৎখ্রে। অমরোমদা ঙসি পুলিসনা চথখিবা ড্রাইভ অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা মীওই ১৫, ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসনা মীওই ২, থৌবাল পুলিসনা মীওই ১৮৫ ককচিং পুলিসনা ২৩, বিষ্ণুপুর পুলিসনা ১৩ অমদি চুরচান্দপুর পুলিসনা মীওই ১১ রোম ফাগৎখি হায়রি।

মপোক কুমওন থৌরম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): ৪০শুবা মৈরা পায়বী হৌদোকখিবা নুমীৎকী মপোক কুমওন থৌরম থা অসিগী ২৯দা লম্ফেলদা লৈবা ওল মণিপুর ৱিমেন্স সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)কী ময়াই লোইশঙদা পাঙথোক্কদৌরি।

থৌরম অসিদা নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট থোকচোম রমণি লৈমা, অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল)গী ভাইস প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম ঙানবী অমদি তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লুপকী প্রসিদেন্ট সোইবম মোমোন লৈমনা মরুওইবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াগনি। থৌরম অসি ষ্টেট লৈঙাক্লা শেমখিবা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ইকাইখুম্নবা উৎপগী থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২৬ নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা শিংজমৈ ৱাংমা পেবিয়া পন্দিট লৈকায়দা অঙাং অনী শান্নরিঙৈদা খঙহৌদনা নোংমৈকাপম হেম্ভোইবা (চহী ৩ থা ৫) লৈকায়গী পুখ্রিদা তাশিনখি। মতম অদুদা মহাক্কা শান্নমিন্নরিবা নতাশা নোংমৈকাপম (চহী ৬ থা ৩) না কন্না লাউরকপগী মনাক নক্না লৈরম্বা মীওইশিংনা হেম্ভোইবগী পুন্সি খুদোংথিবা থোক্লমগদবদগী কনবা ঙমখ্রে। মরম অদুনা নতাশা নোংমৈকাপমদা ইকাই খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমা পেবিয়া পন্দিট লৈকায় যুথ দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা পাঙথোক্লগনি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): ফাদরলেন্দ পেট্রিওটস মেমোরিয়ল ক্লব খোংজম বাজারগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইবিরম্বা মোংশাঙ্গৈদা লৈবা সনসম মঙ্গিনা থা অসিগী ১৯দা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা ক্লব অসিগী মেম্বরশিংনা মিনিট অনী তুম্মিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু ক্লব অসিগী মেম্বরশিংনা শরুক য়ারি হায়না ফাদরলেন্দ পেট্রেটস মেমোরিয়ল ক্লব খোঙজোমগী জেনরেল সেক্রেটরি সাপম ওলেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লিলোংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা অমদি য়োনবা থিংনবগী পান্দমদা ব্লোক লেভেল কম্মিটি অমা শেমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): নশা মুক্তা ভারত কেম্প্যেন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি এস দি ও লিলোং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা সী এস ওশিং অমদি লিলোং পুলিস ও সী য়াওনা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লিলোংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা অমদি য়োনবা থিংনবগী পান্দমদা ব্লোক লেভেল কম্মিটি অমা শেমখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা দি এল সী ওন এম এম বি সী সী, থৌবালগী মেম্বর সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এস দি ও লিলোংনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা তোঙান-তোঙানবা মোতশিং ফোঙদোক্লখি।

খন্ন-নৈনবগী মীফম অদুগা মরী লৈননা এস দি ও লিলোংনা ফোঙদোকখিবদা, নৌনা শেম্লবা ব্লোক লেভেল কম্মিটি অসিনা লিলোংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা অমদি য়োনবা থিংবগী থবক থৌরমশিং পায়খৎকনি। কম্মিটি অসিনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিং হেন্না ইফেক্টিভ ওইনবা লোকল বোদিশিং মরুওইনা মৈরা পায়বী অমদি ক্লবশিংনা মতেং পাংশিনবা মথৌ তাই। প্রাইভেট অমসুং গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং, কোলেজশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিং ড্রগ ফ্রী ওইনবা কম্মিটি অসিনা হোৎনগনি।

ঙসিগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিসর এ কামেশ্বরনা নশা মুক্তা ভারত কেম্প্যেন কম্মিটি অমদি মসিনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খঙহনখি। লমদম অসিদা মরুওইনা চহী নৌরিবা নহাশিং ড্রগ শীজিন্নবগী চাং য়াম্না ৱাংলি। মসি থিংনবা নৌনা শেমখ্রবা ব্লোক লেভেল কম্মিটি অসিনা ব্লোক লেভেলগী থাক্তা এৱ্যেরনেস কয়া পাঙথোকপা মথৌ তাই।

নশা মুক্তা ভারত কেম্প্যেন কম্মিটি থৌবালগী মেম্বর ৱাই লক্ষ্মননা ফোঙদোকখিবদা, স্কুল তম্লিবা মহৈরোয়শিংদগী হৌরগা কোলেজগী লেভেল ফাওবদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং অমদি নহাশিংনা ড্রগ শীজিন্নবগী চাং হেল্লি। ব্লোক লেভেল কম্মিটি লিলোংনা লুরবা তানফম অসিদা নশা মুক্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ওইহন্নবা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসি থাগৎনিংঙাই ওই অমদি লিলোংগী মীয়াম্নসু কম্মিটি অসিনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংশিল্লবদি হেন্না মায় পাকপা ঙমগনি।

ঙসিগী খন্ন-নৈনবগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ও সী লিলোং পুলিস ষ্টেসন; অঞ্জুমান, অলাদা অমসুং এ এস ঈ পি ৱাই দি ওগী লুচিংবশিংনসু লিলোংদা ড্রগ ফ্রী ওইহন্নবগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

হেরোইন পাউদর গ্রাম ১০১গা কোন্ননা নুপা অমা ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী ও সী ইন্সপেক্টর কে ঐচ পাথৌ মৈতৈগী কমান্দ মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট কমান্দোগী ও সী ইন্সপেক্টর কে ঐচ হেনরি অমদি কমান্দোগী এ এস আই এম নরেশ য়াওবা টিম অমনা ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা চপচাবা পাউ অমা ফংবদগী খোমিদোক অমদি কাইরংগী এরিয়াশিংদা চৎথোক-চৎশিন তৌরম্বা মীওইশিংদা চেক তৌখি।

মতম অদুদা মশক খঙদবা নহা অমা খোমিদোক ময়াই লৈকায়গী অরাপতি প্রাইমরি স্কুল মনাক্তা লেপ্তুনা লৈরম্বদগী পুলিস উবদগী চেনগে তৌবদা খুদক্তা পুলিসনা ওভর পৱার তৌরগা ফাখি। মহাক্কী মমিং এম দি মানব খান (২৭) অপোকপা এম দি মনিরুদ্দিন কৌই। মহাক খোমিদোক ময়াই লৈকায়গী অরাপতি প্রাইমরি স্কুল মনাক্তা লৈবনি। মঙোন্দগী হেরোইন পাউদর গ্রাম ১০১ রোম ফারে। মীওই অদুদা ৱাহং পাউহং চথবদা মহাক্লা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মঙোন্দা পীরকখিবা হেরোইন পাউদর অদু কাইরং উমং লৈকায়দগী এম দি সমির খান (৩৮) অপোকপা এম দি ইসলামি কৌবা মীওই অমনা লমলোং এরিয়াগী মফম অমদা য়োন্নবা পীরকপনি। হায়রিবা ড্রগ অদু এম দি সমির খাননা লিলোংদগী নুমীৎ নীনিগী মমাংদগী সাপোন কেপ মঙাদা হাপ্লগা পুরকপনি। পুলিসনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মহাক্কী মথক্তা এফ আই আর নম্বর ৮১ (১২) ২০২০, হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন অন্দর সেক্সন ২১ (বি) এন দি পি এস এক্ট এন্দ ৩৮ আই পি এসকী মখাদা থিজিনবগী থবক চথুরি।

মৈতাল অমসুং মৈফু মতেং পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ময়ায় কাবা চিঙ্গাক চাবা অমদি য়োনবা থিংনবা হোৎনরিবা ইমাশিংদা মতেং পাংবা ওইনা ঙসি লমজাও মখা লৈকায় মৈরা পায়বীশিংদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্সনা মৈফু অমদি মৈতাল মতেং পাঙখ্রে হায়না টাস্ক ফোর্স অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, লমদম অসিদা ময়ায় কাবা চিঙ্গাক থিংদুনা অফবা খুন্নাই অমা ওইরক্কবা হোৎনবদা মৈরা পায়বীশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। নিংথমথাগী অঙৈংবা মতমদা হৌরক্লিবা নহাশিংবু ড্রগতগী মতৌ করম্না কনসিগে হায়দুনা টাস্ক ফোর্সনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা লমজাও মখা লৈকায় মৈরা পায়বী লুপনা নুমিদাং পুঙ ৬ তগী ১১ ফাওবা থোক্তুনা কুপ্না য়েংশিল্লি। মৈরা পায়বীশিংনা তৌরিবা থবকশিং অসিবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা মৈতাল অমদি মৈফুশিং মতেং পীখিবনি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্সনা চঙশিল্লক্লিবা ময়ায় কাবা চিঙ্গাক থিংবগী থবক থৌরমশিংদা মফম মফমগী মৈরা পায়বীশিং অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মতেং পাংবগীদমক থাগৎপসু ফোঙদোরক্লি।

য়ু এফ ওগী মীফমদা শরুক য়ানবা অপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): সেন্ট্রেল কম্মিটি, য়ুনাইটেদ ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও) গী ৱারেপ মতুংইন্না মথং চহীগী জানুৱারী তাং ২ দা মণিপুর বটালিয়ন হেদ ক্বার্টর চিংনুংখোক্তা ওর্গনাইজেসন অসিগী ওইবা জেনরেল বোদি মীটিং অমা পাঙথোক্কদৌরি। হায়রিবা জি বি মীটিং অসিদা ওর্গনাইজেসন অসিগী ব্রাঞ্চ সেক্রেটরি, প্রসিদেন্ট, দিপ্যুটি সেক্রেটরি, বটালিয়ন কম্মান্দর, মেনেজিং কম্মিটি অমসুং মেম্বর খুদিংমক্না শরুক য়ানবা সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা মরুওইনা য়ু এফ ওগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনবা, ওল মণিপুর বটালিয়ন হেদ ক্বার্টর চীংনুংখোক শেমগৎ শাগৎপা অমদি ওর্গনাইজেসন অসিগী পান্দম ফংনবা মখা তানা চঙশিনগদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মরুওইনা খন্নগনি হায়না য়ুনাইটেদ ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসনগী সেন্ট্রেল কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুমীৎ হুম্নিগী মনুংদা এন বোইনা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীয়ামদা লাল্লে হায়না শেংদোরক্কদবনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুংচন্না লৈবা যুম্নাম খুনৌদা বি জে পি মহিলা মোর্চানা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরমদা হৈঙাংদগী যুম্নাম খুনৌদা চেক্কোন তৌবা লাকখিবা এন বোই (রাজেন্দ্রো)না খুন্দ্রাকপম এ সী অসিদি চাক্লি-ফিনিবা কয়ানা অকি-অখঙ কয়াগা লোয়ননা হিংলম্বা পুন্সি মরেল অমদা হিংলল্লে হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাঙাঙ অদু যুথ দিভলপমেন্ট ক্লব হৈককমপাল অৱাং লৈকায়, হৈককমপাল মখা লৈকায় মৈরাপায়বী অমসুং হৈককমপাল অৱাং লৈকায় মৈরা পায়বি, রিঙ্গো যুথ ক্লব (আর ৱাই সী) কৈবী হৈককমপালনা অকনবা মওংদা য়ানিংদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

হৈককমপাল মখা লৈকায় মৈরা পায়বিগী জেনরেল সেক্রেটরি বিনা শেঞ্জম, হৈককমপাল অৱাং লৈকায় মৈরা পায়বিগ জেনরেল সেক্রেটরি কৈশাম হেমাবতি, আর ৱাই সীগী সেক্রেটরি, প্রসিদেন্ট, হৈককমপাল যুথ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি অমদি হৈককমপাল যুথ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ললিতনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, খুন্দ্রাকপম এ সীদা লৈরিবা মীওইশিং থওই-উশিৎতবগী মওংদা ঙাঙখিবা অদুগী মতাংদা এন বোইনা নুমীৎ হুম্নি ফাওবগী মনুংদা এ সী অসিগী মীয়ামদা লাল্লে হায়না মীদিয়াগী থোঙদা শেংদোরক্কদবনি।

লোয়ননা এ সী অসিগী মীওই কয়া চাক্লি-ফিনিবা ওইরম্লে হায়রিবসি এ সী অসিগী করম-করম্বা লৈকায়গী মীওইশিংনো হায়বদুসু ময়েক শেংনা শেংদোরক্কদবনি। করিগুম্বা মহাক্লা লাল্লে হায়না শেংদোরক্তুবদি এন বোইবু লৈকায় অহুম অসিদা সোসল বোইকোট তৌরগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

যুথ ৰেলফ্যের ক্লব থম্বালখোংগী ৬৫শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

Thambalkhong Recreation Centre

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): যুথ ৰেলফ্যের ক্লব (ৱাই দল্লিয়ু সী) থম্বালখোংগী ৬৫শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম ঙসি কুমঙাইপাৎ স্পোর্টস কম্পলেক্সতা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু ৱাই দল্লিয়ু সীগী হান্নগী প্রসিদেন্ট নহাকপম মোমোননা চীফ গেষ্ট ওইদুনা লাইওখ্রবা ক্লব অসিগী মেম্বরশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগা লোয়ননা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা ইকয়খুম্নবা উৎখি হায়না ৱাই দল্লিয়ু সী থম্বালখোংগী প্রসিদেন্ট পুখ্রম্বম বিশ্বরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

শক্লাইরবা অইবা অরিবম চিত্রেশ্বরনা লৈখিদবদা লূপ কয়ানা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএন এস): মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমা ওইবতা নত্তনা লাই য়েকপা, লাই শাবা অমদি মণিপুর নট সংকৃতনগী লম্দা কথোকপগা লোয়ননা অচৌবা খুদোল পীবিরম্বা অরিবম চিত্রেশ্বরনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

শক্লাইরবা অইবা চিত্রেশ্বরনা লৈখিদ্রবদা নট সঙ্গিট একাদমি এন্দ রিসার্চ সেন্টর য়াইস্কুল জন্মস্থান ইম্ফালগী ওজাশিং অমদি অর্টিষ্টশিংনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা সেন্টর অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি নিংথৌজম শ্যামচান্দনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকাইখুম্নবা উৎপা ওইনা মিনিট অনী তুমিন্না লেপখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি। চিত্রেশ্বর লৈখিদবদা মণিপুরগী ওইনা অচৌবা মেনখৎপা ঙস্লরোইদবা অৱাৎপা অমা লৈহৌরগনিসু হায়রি।

ললিট কালা সঙ্গম লোক্লাওবুংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈখিদ্রবা চিত্রেশ্বরনা হিংলিঙৈ মতমদা কলচরগা মরী লৈনবা তাঙলবা লাইরিক কয়া ইরমখি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী ওইনদি চাওনা মাঙজবা অমা ওইবতা নৎতনা মেনখৎপা ঙস্লরোইদবা অহোবা অমা লৈরগনি। লৈখিদ্রবা অইবা অসিগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা ললিট কালা সঙ্গমগী থৌমীশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা মপূগী মফমদা থৌনীজ খিবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমিনসু অরিবম চিত্রেশ্বরনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা কুমজা ১৯৩৯দা খোংমন মঙজিলদা পোকখিবা অরিবম চিত্রেশ্বরনা হিংলিঙৈ মতমদা মণিপুরগী অরিবা নাৎ অমদি চৎনবী য়োকখৎনবা হোৎনরমখি। মণিপুরগী নট সংকৃতনগী মতাংদসু লৈখিদ্রবা অসিনা মরুওইবা পাউতাক কয়া পীরমখি। মসিদা নৎতনা লাই য়েকপা অমদি লাই শাবদা থোইদোক-হেন্দোক্লা মমিং লৈরবা মীওই অমা ওইরম্বতা নৎতনা লাইরিক কয়াসু ইরমখি। অসিগুম্বা মীওই অমনা লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী মাঙজবনি হায়না একাদেমি অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ꯐꯤꯅꯤꯛꯁ ꯏꯡꯂꯤꯁ ꯀꯣꯆꯤꯡ

ADMISSION OPEN

PHOENIX ENGLISH COACHING

SPOKEN ENGLISH & ENGLISH GRAMMAR COURSES FOR ALL AGES
ALONG WITH X & XII ENGLISH CRASH COURSES
FOR MANIPUR BOARD & COUNCIL

PLEASE CONTACT 8974642764 FOR DETAILS
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL LAIMAYUM LEIRAK,
IMPHAL

HL-B/6604/11/12-8/01(alt)

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি

চহীগী দশা-লাংফম য়েংজরি, মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষ্য, থবক মফম, সরকারগী থবক, করবার, লন-থুম, শেল পুখবা, যুম-ইস্থোল, গাড়ী, যুম্বাল-কৈবাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, হকচাংগী ফত্তবা মরম, এক্সিদেন্ট, মরুপ য়েক্লবা, মাংনবা তৌবা অসিনচিংবা কুঠি অমদি খুবাক ময়ীদগী য়াম্না কুপথনা য়েংজরি। যুমদা লাকপা ঙমদবশিংগীসু Whatsapp কী খুত্থাংদা, online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা। হান্না পাউ লৌবীয়ু।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Mobile No: 9077188456

HL-B/6632/19/12-14/02(alt)

ꯗ ꯁꯤꯅꯤꯌꯔ ꯁꯤꯇꯤꯖꯦꯟꯁ ꯐꯣꯔꯝ

OFFICE OF
THE SENIOR CITIZENS' FORUM IMPHAL EAST
Wangkhei Keithel Ashangbi, Imphal East

CONDOLENCE

An emergent meeting of the Managing Committee of the Senior Citizens' Forum-Imphal East was held on Saturday, 26th December, 2020 at the office premises of the Forum at the Paradise Club, Wangkhei at 9.00am. with Shri GA. Ravichandra Sharma, Vice President (HQ) in the Chair to condole the sudden and untimely demise of **Sapam Momon Singh of Wangkhei Lourembam Leikai, Imphal,** who was a founder secretary of the Forum on 24th December, 2020.

While noting that **Sapam Momon** was a man of multi-faceted personality, a reknown social, political and cultural activist of the highest order, a film and theatre artist besides being associated with a host of literary, cultural and artistic institutions, the meeting expressed deep sorrow and anguish at the irreparable loss and shared the grief and pain of the bereaved family.

The meeting observed a two-minute silence as a mark of respect to the departed soul.

May his soul rest in peace.
Our condolences go to his wife and family.
He will always remain in our hearts for time eternal.

Sd/- **G.A. Ravichandra Sharma**
Vice President, SCF-IE

HL-P/8371/29

ꯀꯟꯗꯣꯂꯦꯟꯁ / CONDOLENCE

RASDA Kakyai Makha Leikai গী এক্টিভ মেম্বর ওইরম্বা Shri L. Bijoy alias Goroba Singh না তাং ২৬/১২/২০২০, থাংজ নুমীৎতা মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক RASDA গী মেম্বরশিংনা মিনিট ২ লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

Sd/- **L. Thoiba Singh**
Secretary,
Rural Area Social Development Association,
Kakyai Makha Leikai

HL-P/8365/29

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯁꯪ / শাদৌ থোংবা, তুম্বা য়াদবা, লোক কংখু খুবা, লাইহৌ তোয়না হৌবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, হরা থুংবা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌবা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা এজমানা মরম ওইদুনা লোক কংখু খুবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, হরা থুংবা, শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙমদবা, থবক অকনবা শুবা ঙমদবা, শাদৌ তোংবা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, শ্বর ফুনগৎপা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌবা, হকচাংগী মসলশিং চিকপা-নাবা, খূৎ হাইগৎপা ঙমদবা, মীহুল কা হেন্না চোংবা, নোং চুবদনা হেন্না শ্বর হোনবা ৱাবা, হকচাং হৈনিং-শিংনিংদবা, পোথারগতা লৈনিংবা, অরুম্বা পোৎ পুবা ঙমদবা, থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, শ্বর হোনবদা থবক্তা গের-গের লাউবা মখোল থোকপা, খ্বাঙ নাবা, য়াঙলেন শরূদা চিকপা-নাবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/8292/29
থাগৎচরিবা : **K. Suraj Singh**, Khuyathong

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯁꯪ / নপ মহী তাবা, নাহী তোয়না তাবা, নাতোন ফুনবা, নাতোন্দা শ্বর হোনবদা ৱাবা, নাতোন্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, লোক তোয়না থুংবা, উফুল মরক্তা চৎপা য়াদবা, উহৈ অমদি অঙৈংবা পোৎ চাবা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা সাইনসনা য়াম্না কন্না নাদুনা নপ মহী তাবা, নাহী তোয়না তাবা, নাহী তাদুনা কোক ঙাওবা, কোক তোয়না চিকপা অমদি নুংশা মঙালদা থোকপা য়াদবা, কোক লুম-লুম লাউরগা লৈবা, নাতোন অনীমক ফুনবা, নাতোন্দা শ্বর হোনবদা ৱাবা, য়ারোমদসু হোনবা, নাতোন্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, লোক তোয়না থুংবা, উফুল মরক্তা চৎপা য়াদবা লাইহৌ তোয়না হৌবা, হৈ অমদি অঙৈংবা পোৎ চাবা য়াদবা, চারগনা সাইনস নাবা হেনবা, ঙকশম মরী নাবা, মীৎ মরী অসিসু চিকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/8307/29
থাগৎচরিবা : **W. Jilish Singh,** Nongbram

ꯑꯦꯁ ꯀ꯭ꯌꯨꯕ ꯀꯣꯆꯤꯡ ꯁꯦꯟꯇꯔ

S3 COACHING CENTRE
(STEP TO SURE SUCCESS)
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

Form available for New Batch NEET 2021 (Subjects: Chemistry, Physics & Biology)
REVISION CLASS COMMENCING FROM

Class X (Both BOSEM & CBSE)
SUBJECT OFFER ARE: Science, Social Science, Math, Manipur

CLASS TIMING :
6:00 AM TO 2:00 PM
Under Strict SOP Guidelines
First Come First Serve

Class XII (Both COHSEM & CBSE)
SUBJECTS ARE: Physics, Chemistry, Biology, Mathematics

CLASS COMMENCING FROM
28th December, 2020 & 4th January, 2021

Special Featrues are :
(1) Regular Test;
(2) Perfect Student's help notes and Q & A.
(3) Well known Guest Faculties;
(4) Practical teaching method
(5) Van Services;
(6) Hostel for boys & girls

For more details Please Contact # 9856331259 / 9089770462

HL-B/6584/5/12-1/02

ALL MANIPUR BRICK INDUSTRIES ASSOCIATION

1 PRESIDENT -KEISHAM BINOTBABU SINGH
2 VICE PRESIDENT - NONGTHOMBAM ARNOLD MANGANG
3 SECRETARY - LANGAM RATAN
4 JOINT SECRETARY - ANGOM KUMARJIT SINGH
5 TREASURER - HUIDROM VIKRAMJIT SINGH

RATES OF BRICKS (INCLUDING GST) W.E.F. 01.01.2021

SL.NO.	CLASS	RATE	NOS
1	1st CLASS	16,000.00	1000.00
2	2nd CLASS	15,000.00	1000.00
3	1st REJECT	14,500.00	1000.00
4	PETTY	13,500.00	1000.00
5	JAMMAT (A)	14,000.00	1000.00
6	JAMMAT(B)	13,500.00	1000.00
7	JAMMAT APOMBA. C	12,000.00	1000.00
8	3RD CLASS	10,000.00	1000.00
9	BROKEN CONCRETE- 407	6,500.00	
10	DI	5,000.00	
11	BROKEN 3rd	AS PER OWNERS WISH	
12	TRANSPORTATION COST TATA	3500	
	407	1800	
	DI	1000	

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ / নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি


Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোন্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোন্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোন্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6572/1-30/12